**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১ ) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা চীংগী জিলাশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা নোংমৈ ১৫৫ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

২) মণিপুরদা ঙসি মালেমগী হেপাতাইতিস নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

৩) মণিপুরদা অহানবা ওইনা ঙসি রিমস হোস্পিতালগী দিপার্টমেন্ট ওফ ব্লড ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিনদা বাইওমেত্রিক বেজ ব্লড দোনর মেনেজমেন্ট সিষ্টেম হৌদোকখ্রে।

৪) মণিপুরদা লৈরিবা পোষ্ট ওফিস খুদিংমক্তা ওগষ্ট ৪ দগী নেক্স জেনেরেসন এ.পি.টি এপ্লিকেসন চৎনবা হৌরগনি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি পোসন শক্তি নিরমানগী মখাদা মচি ওইবা চাক্লেন লৈবাক অসিগী অঙাং কোতি ১১ রোমদা ফংহল্লি।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা রাজ্য অসিগী চীংগী জিলাশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মণিপুর পুলিসকী আই.জি (ইন্তেলিজেন্স) নিংসেন ৱারঙমনা হায়- রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং

অসি লাকশিন্নবা চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তনা চখ্থরি। ইন্তেলিজেন্সতগী পীরকপা পাউগী মতুংইন্না মণিপুর পুলিস, অসাম রাইফলস, ভারত লান্মী অমসুং সি.এ.পি.এফকী অপুনবা কাংবুনা চুরাচান্দপুর, ফেরজোল, কাংপোকপী, চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চখ্থখি। মদুদা শকখঙদবশিংনা লোইশিন দুনা থল্লম্বা বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি।

মহাকা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদা এ.কে. সেরিজগী নোংমৈ ৮, ইন্সাই রাইফল ২, এস.এল.আর ১, টেরিস্কোপ য়াওবা স্নাইপ্পর ১, এম-ফোর রাইফল ১, থ্রি নোট থ্রি রাইফল ২, করবাইন ৪, তুয়েল্ব বোর ১৪, নাইন এম.এম পিষ্টোল ৮, পোইন্ট টু টু রাইফল ১, গ্রেন এল.আর অনি, সিঙ্গল বেরেল রাইফল ১৮, এস.বি.বি.এল ৫, বোল্ট এক্সন রাইফল ৫, সিঙ্গল বেরেল বোল্ট এক্সন রাইফল ১, কন্ত্রি মেদ পিষ্টোল ১৪, সোট গন ১, লেথোদ ৪, সিঙ্গল বোর ২১, মজল লোদেদ রাইফল ৩, পোম্পি ৩১, দবল বেরেল নোংমৈ ৮ য়াওনা পুন্না নোংমৈ ১৫৫ ফংখি। মসিগী মথক্তা আই.ই.দি ৩৯, হেন্দ গ্রেনেদ ১৩, নোংমৈ মরু লিশিং ১,৬০০, বাইনোকুলর ৪, কম্ম্যুনিকেসন সেট ১৫ অমসুং টেলিস্কোপ অমা য়াওরি।

গভর্নর (এল) ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা দাইরেক্তোরেট ওফ ফোরেন্সিক সাইন্সেস মণিপুরগী ফোরেন্সি লেবোরেটরিনা মথৌ তৌরিবা অসিগী মতাংদা ঙসি মীফম অমা পাঙথোক্লুনা খন্নখ্রে।

মীফম অসিদা হোম কম্মিসনারনা মোবাইল ফোরেন্সিক য়ুনিত, মোবাইল ফোরেন্সিক ভেন অমসুং তোঙান তোঙানবা অনৌবা ফেসিলিতিনচিংবগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল পীখি। লমদম অসিদা ফোরেন্সিক সাইন্সেসকী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা পান্দম থমদুনা অনৌ অনৌবা থৌরাংশিং হাপচিন্নবা থৌরাং তৌরি।

রাজ্যপালনা হৌজিক হৌজিক দিপার্টমেন্ট অসিদা পনদুনা লৈরিবা কেসশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া হংখি। মহাকা হায়- দাইরেক্তোরেট অসিনা

মেইন পৱার ৱাৎপগী অৱাবশিং মায়োকরি হায়বগী মতাংদসু পনখি।

নেসনেল ফোরেন্সিক সাইন্সেস য়ুনিভর্সিতি মণিপুরগী ওফিসিয়েলশিংনসু মখোয়না হৌজিক হৌজিক য়ুনিভর্সিতি অসিদা অৱাৎ অপা কয়া মায়োকরিবা অসিগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল থমখি। ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং মরুওইবা পোৎ চৈশিং ৱাৎপদগী ইন্সটিট্যুট অসিদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরে হায়রি।

অমরোমদা, রাজ্যপালনা গভর্নর ইন কাউন্সিলগী মীফম অমসু ঙসি রাজ ভবনদা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা চীফ সেক্রেতরি, গভর্নরগী সেক্রেতরি অমসুং বিভাগ কয়াগী এদমিনিষ্ট্রেতিভ সেক্রেতরিশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

ডে (এল)ঃ মালেমগী হেপাতাইতিস নুমিৎ ঙসি পাঙথোকখ্রে। কুমসি চহীগী হীরমা ‘লেট অস ব্রেক ইট দাউন’ হায়বসিনি। নেসনেল ভাইরেল হেপাতাইতিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম ষ্টেট হেলথ সোসাইটি নেসনেল হেলথ মিসন, মণিপুর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সর্ভিসেস মণিপুরনা শিনদুনা রাজ্য থাক্কী থৌরম পালন হোতেল ইম্ফালদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা, হেলথ সর্ভিসেসকী দাহরেক্তর ডা.চম্বো গোনমৈ, ষ্টেট মিসন দাইরেক্তর নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর ডা.এম দিনেশ সিংহ, ফেমিলি ৱেলফিয়র সর্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.এন.হেমন্ত কুমারনচিংবা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ৱার্ল্ড হেপাতাইতিস ডেগা মরী লৈনবা খোঙচৎ অমা হেলথ সর্ভিসেসকী দাইরেক্তরনা লমথাখি।

ৱার্ল্ড হেপাতাইতিস ডেগী থৌরম কম্যুনিতি নেটৱার্ক ফোর এম্পৱরমেন্টনা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইকিয়াত্রিককা পুন্না শিন্দুনা নুমিৎ অসি রিমসতা পাঙথোকখি।

রোজি (এল) ঃ মীয়ামা হেপ্পাতাইতিস লায়নাদগী ঙাকথোকবা ঙল্লিঙৈদা টেষ্ট তৌথোকপগা লোয়ননা লায়েংনবা হোৎনশি হায়না নেসনেল ভাইরেল হেপ্পাতাইতিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম, নেসনেল হেলথ মিসনগী ষ্টেট নোদেল

ওফিসার ডাঃ আর.কে. রোজিনা আপীল তৌরক্লি।

অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুগা অখন্ননা উন্নবা অমদা ডাঃ রোজিনা হায়- লৈবাক অসিগী ওইনা হেপ্পাতাইতিস লায়না অসি ইং ২০৩০ ফাওবদা মপুং ফানা লৈহন্দনবা পান্দম থল্লি। ঙসিসু মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক বগুম রাজ্য অসিদসু ৱার্ল্ড হেপ্পাতাইতিস ডেগী থৌরম পাঙথোকরি। মহাকা হায়- হেপ্পাতাইতিস সি হায়বা লায়না মখল অসি মপুং ফানা লায়েংদুনা ফবা ঙমলে। মরম অদুনা মীয়ামা চিংনবা লৈরবদি টেষ্ট তৌথোক্তুনা লায়েংনবা হোৎনশি।

এমওয়ু (এল) ঃ মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিনা তোঙান তোঙানবা কলেজ ৬ কা গ্রিন ওদিৎ এন্দ গ্রাউন্দ ৱাটর দিটেক্সন সার্ভিসেস, এক্সপান্স ভিজন ফোর এদভান্স টেকিকেল কন্সলটেন্সি হায়বসি য়ান্ন-ৱারোল অমা সহি তৌনখ্রে। মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মমিং লৈরবা কলেজ ৬ কা পুনদুনা অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্নবা অমসুং মহৌশাগী পোত্থোক নিংথিনা শিজিন্ননবা থৌরাং অমা ওইনা পায়খৎপনি। এম.টি.য়ুগা সহি তৌনখিবা কলেজশিং অদুদি- সি.আই কলেজ, ইম্ফাল কলেজ, নম্বোল এল. শানোই কলেজ, মোর্দন কলেজ, খা মণিপুর কলেজ অমসুং দি.এম. টিচরস ইদুকেসননি।

রিমস (এল)ঃ মণিপুরদা অহানবা ওইনা ঙসি রিমস হোস্পিতালগী দিপার্টমেন্ট ওফ ব্লড ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিনদা বাইওমেত্রিক বেজ ব্লড দোনর মেনেজমেন্ট সিষ্টেম হৌদোকখ্রে।

থৌরাং অসিনা ঈ দান তৌরিবা মীওইশিংদা মখোয়না ঈ-দান তৌখিবা মতুং নুমিৎ ৯০ নিগী মতম অদু য়ৌই য়ৌদে হায়বদু লাইনা খঙবা ঙমলে। মীওই অমনা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ৯০ নিগী মতম অসিগী মতুংদা অমুক হন্না ঈ দান তৌবা য়াই। মীওই খরনা মশাগী খনদনা তোইনা তোইনা মতম শুদনা ঈ দান তৌবগী থবক চৎথৈ।

থৌরম অদুদা রিমসকী দিরেক্তর প্রোফেসার জি. শুনিলকুমার শর্ম্মা, মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট এন. শঞ্জিভ সিংহ অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিনগী হেদ- প্রোফেসার প্রতিমা খোয়ুমথেম শরুক য়াখি।

আইসিদিএস (এল)ঃ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়গী শেন্থং মখাদা পায়খৎপা মিসন শক্তি স্কিমগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবা অমসুং ত্রেনিং অমা ঙসি চান্দেল জিলাগী দি.সি কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা চান্দেল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার এল. নন্দকুমারনা হায়- সরকারনা মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা স্কিমশিং অসি ঐখোয় পুম মকা মসিগী খুদোংচাবা লৌশি। মীপুম খুদিংমকা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংশিং অসি মমুৎ তানা খঙবীদুনা কান্নবা ফংনবা হোৎনশি।

থৌরম অদ্দা আই.সি.দি.এস সেল চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসার অহন্থেম নিমিনা স্কিম অসিগী মতাংদা মীয়ামদা অকুপ্পা ৱারোল পীখি। মহাকা হায়- মিসন শক্তি অসিগী মখাদা নুপীশিংগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা নুপী অমসুং অঙাংশিংদা কান্নবা কয়া ফংহল্লি।

থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেল অমসুং ইন্তিগ্রেতেদ চাইল্ড দিভলপমেন্ট সার্ভিসেস (আই.সি.দি.এস)না পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

পোষ্ট (এল) ঃ কেন্দ্র সরকারগী কম্ম্যুনিকেসন মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা পোষ্ট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মথং থা ওগষ্ট ৪ দগী মণিপুর দিভিজনদা লৈরিবা পোষ্ট ওফিস খুদিংমক্তা নেক্স জেনেরেসন এ.পি.টি এপ্লিকেসন চৎনবা হৌরগনি।

দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্ট নোর্থ ইষ্ট সার্কল মণিপুর দিভিজনগী চেরোল অমনা হায়- এদভাইন্স ওইবা দিজিতেল প্লেটফোর্ম অসিগী মখাদা থবক হৌনবা অকনবা থবক পায়খৎপা হৌরগনি। অনৌবা থৌরাং অসিদা নিংথিনা থবক হৌনবা থৌরাং পায়খৎপা হৌরগনি। মরম অদুনা ওগষ্ট ২ অসি পোষ্ট ওফিসশিংদা পাব্লিক ত্রাঞ্জেক্সন্নচিংবা থবক অমত্তা পাঙথোক্লোই। এ.পি.টি

এপ্লিকেসন অসি পোষ্ট ওফিসকী থবক থৌরমশিং হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা অমদি মীয়ামদা হেন্না খুদোংচানবগীদমক পায়খৎপা থৌরাংনি হায়রি।

ডে(এল)ঃ মীয়াম অমসুং পান্বীশিংগা শমহনবা-লম্লক্কী শা উচেক য়োকখত্তুনা থন্বদা দিজিতেল ইন্নোভেসনগী থৌদাংশিং থিদোকপা হায়বা হীরমদা ৱার্ল্ড নেচর কঞ্জরভেসন ডে ২০২৫ ঙসি পাঙথোকখ্রে। মহৌশাগী খল অমসুং মহৌশাগী পোত্থোকশিং ঙাক শেন্দুনা থমবা হোৎনবদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্নবা পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা হান্নগী ফোরেষ্ট অমসুং এনভাইরনমেন্ট মন্ত্রি থোঙাম বিস্বাজিৎনা উমং, তুরেল, লম্লক্কী শা উচেক অমদি থৱাই পানবা জিবশিংদা অফবা মখলগী নুংশিৎ ফংহন্দুনা শ্বর হোলহল্লিবা অসিবু পুন্না ঙাক শেন্ননবা অমত্তা ওইনা ৱাশক লৌমিন্নরসি। মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা সস্তেনেবল গ্রোথ অমসুং অকোইবগী খল চাং মান্ননা থন্বা হায়বসি পান্দম অমা নত্তে। মসিদি লৈঙাক সাসনগী শরুক অমনি।

মেলা (এল) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সি.দি. ব্লোক শওম্বুংনা শিন্দুনা ঙসি পুখাউ গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চনবা শগোলমাং মল্টিপরপজ কম্যুনিতি হোলদা নোংমগী ওইবা ভি.পি.আর.পি কনভরজেন্স মেলা অমা পাঙথোকখ্রে। মেলা অসি পি.আর.আই-সি.বি.ও কনভরজেন্স হনিসিয়েতিভগী মখাদা গ্রাম পঞ্চায়ট ৬ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপনি। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগা খুৎশমনা চৎমিন্নদুনা মীপুম খুদিংমক্তা মান্নবা আধিকার ফংহনবনি।

থৌরম অদুদা এম.এল.এ- লোকেশ্বর য়াওনা জিলা অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

লোক সভা ঃ সরকার অসিনা প্রধান মন্ত্রি পোসন শক্তি নিরমান (পি.এম-পোসন)গী মখাদা মচি ওইবা চাক্লেন লৈবাক অসিগী অঙাং কোতি ১১ রোমদা ফংহল্লি।

লোক সভাদা অইবা ওইনা পীবা পাউখুম অমদা শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি জয়েন্ত চৌধরিনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা স্পেপান্সর তৌবা স্কিম অসি রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগা খুৎশমদুনা বাল বাতিকাদা তল্লিবা অঙাংশিং, সরকার অমসুং সরকারগী এদেদ স্‌লশিংদা ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবদা তল্লিবা অঙাংশিংদা খুদোংচাবা অসি ফংহল্লি। মহাকা হায়- স্কিম অসিনা স্কুল লাখ ১০ হেন্না কোনশিল্লি। স্কিম অসিগী মখাদা কেন্দ্র সরকারনা চান থকবা পোৎলম, চৎথোক চৎশিনগী ভারানচিংবা খুদোংচাবসু ফংহল্লি।

রাজ্য সভা ঃরাজ্য সভাগী মীফমদা চরাংনবা থোকপদগী অনিরক হন্না মীফম য়েথোক্লবা তুংদা ঙসিগী ওইনা মীফম য়েথোকখ্রে। প্রিসাইদিং ওফিসার ভুবনেশ্বর কালিতানা কেরিয়রস ওফ গুদস সি বিল ২০২৫ খন্নদুনা পাস তৌনবা হোৎনবদা বিরোধি দলশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরকপদগী মীফম অসি ঙসিগী ওইনা য়েথোকখিবনি। মসিগী মমাংদা রাজ্য সভাগী মীফম ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা হৌখি। মসিদা এ.আই.এ.দি.এম.কেগী এম.পি অনি ৱাশক লৌখি।

দিপ্যুতি চেয়ারমেন হরিবন্সনা হায়- তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংদগী এদজোর্নমেন্ট নোটিশ ২৬ ফংখি। অদুমকপু নোটিশশিং অদু রিজেক্ট তৌখি। মসিগী তুংদা মহাকা জিরো অৱারগী মতমদা বিল অদু খন্ননবা পুখৎলক বা হোৎনবদা বিরোধিশিংনা লাউ খোংবদগী সভাগী মীফম অদু নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা য়েথোকখি। অমুক হন্না মীফম পুং ২ দা হৌনবা হোৎনবদসু হান্নগী ফিভম অদুমক মায়োকখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ জ্‌নিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর ডাঃ বি.সি. রোই ট্রোফি ২০২৫ কী পঞ্জাবকী গুরুনানক দেব য়ুনিভর্সিতি গ্রাউন্দনা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা মণিপুরনা দিল্লিবু পাঞ্জল ৭-৬ তা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংলে। শান্নবগী অপীবা মতমদা পাঞ্জল ২-২ চন্নবদগী

পেনালতি কাউনবদা পাঞ্জল ৭-৬ তা থোইখিবনি।

ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ৩০ দা এস.এফ.এস ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

তাফিস ঃ তাফিসকী মীৎয়েং মখাদা নেপাল ওল স্পোর্টস গেমস ফেদরেসন অমদি নেসনেল করাতি ওর্গনাইজেসন ৱার্ল্ড সো ক্যুও কুসিন নেপালনা য়ুম্বু ওইদুনা চহি অসিগী সেপ্তেম্বর ১০ দগী ১২ ফাওবা মরিসুবা সাউথ এসিয়ান নেসনেল গেমস ২০২৫ কাঠমন্দুদা পাঙথোক্লগনি। মসিদা শরুক য়াগদবা আই.এ.এস.জি.এফ গেমসকী খনগৎলবা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা ওল স্পোর্টস গেমস ফেদরেসনগী হেদ ওফিসতা লাকবা ফেদরেসন অসিনা খঙহল্লক্লি।

অমফা ঃ এ.আই.এফ.এফকী লীচিং মখাদা রেফ্রি ইভালুএসন কোর্স অমা লাক্লিবা ওগষ্ট ১১ দগী ১৩ ফাওবা লমলোং টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না অমফাগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। কোর্স অসি মরুওইনা থবক্তগী পোথারবা রেফ্রিশিংগীদমক পাঙথোক্কদবনি।

------